থৌদাং স্পোর্টস

[illegible]

ককচিংগী সেকেন্দ দিভিজন্দ ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট টিম ৫ না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ), ককচিংনা শিন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ ককচিংদা পুন্না টিম ৫ না শরুক য়াদুনা ঙসিদসগী সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসি কে কে ত্রষ্ট ককচিং ডাঃ টি ঐচ ওজিৎ সিংহনা স্পোন্সর তৌবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিম ৫ অদুদি জে এ ককচিং, এ আই এফ এ, ইরেংবন্দ, ব্রাই দব্লিউ য়ু, ককচিং, এল ব্রাই এ, ব্রাঙু অমদি এফ লমজাওনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা অমদি অনিশুবা মেটচতা জে এ ককচিং অমদি এল ব্রাই এ, ব্রাঙু মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা জে এ ককচিংনা এ আই এফ এ, ইরেংবন্দবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। জে এ ককচিং অমদি এ আই এফ এনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনিনা মায় পাক্লবগীদমক অমনা অমগী মায়কৈদা গোল এটেক অমদি কাউন্টর এটেক কয়া চত্থদুনা শান্নখি।

মেটচ অদুদা জে এ ককচিংগী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোল অনি অদু সঙ্কর (জর্সি নম্বর ৭) না অহানবা হাফকী ২৭ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি এম সাগর (জর্সি নম্বর ৩৫) না অহানবা হাফকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অমরোমদা মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা এ আই এফ এ, ইরেংবন্দগী মায়কৈদগী চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এস থৌবি (জর্সি নম্বর ৬) না অহানবা হাফকী ২৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুবু গোল চনখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা এ আই এফ এগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা অকনবা মওংদা কাউন্টর এটেক য়াওনা গোল এটেক কয়া চত্থদুনা শান্নরবসু মেটচকী অপিবা মতম লোইখিবনা মখা তানা গোল চনবা ঙমখিদবনা জে এ ককচিংগী মখুত্তা গোল ২-১ দা মায়থিহৌখি।

মেটচ অদুদা এ আই এফ এগী মায়কৈদগী এন প্রেমজিৎ (জর্সি নম্বর ১৫), ব্রাই ইনাওজাও (জর্সি নম্বর ২) অমদি এন গ্যনন্দ্রা (জর্সি নম্বর ১০) বু মথংশিংনা মেটচকী ৪ শুবা, ২৫ শুবা অমদি ৬৪ শুবা মিনিটশিংদা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়ার তৌরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি। জে এ ককচিংগী মায়কৈদগীসু আরনোল্ড (জর্সি নম্বর ৪) বুসু মেটচকী ১৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমগা বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অদু টি ঐচ দিনেশ্বরনা সেন্টর রেফরি, টি ঐচ পরসুরাম্না এসিস্টেন্ট রেফরি-২ অমদি কে ব্রোজেন্না ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইখি।

ঙসি অনিশুবা গ্রাউন্দদা ব্রাই দব্লিউ য়ু, ককচিং অমদি এল ব্রাই এ, ব্রাঙুনা শান্নখিবদা এল ব্রাই এ, ব্রাঙুনা গোল ৩-০ দা চাওনা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুদা এল ব্রাই এ, ব্রাঙুনা অহানবা হাফতা গোল অনি চন্দুনা মাংজিল থাদুনা চৎখি। হায়রিবা গোল অনি অদু সন খুমপ্রেং (জর্সি নম্বর ৩) না ২৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি রবিচন্দ্রা (জর্সি নম্বর ১২) না ৩৩ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। মেটচ অদুগী অনিশুবা হাফতা এল ব্রাই এ, ব্রাঙুগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদু চনখি। হায়রিবা গোল অসি থাংবোই (জর্সি নম্বর ৯) না ৪০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

ব্রাই দব্লিউ য়ু, ককচিংগী মায়কৈদগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল ব্রাই এগী মায়কৈদা গোল অমাফাওবা চনশিনবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু গোল ৩-০ দা চাওনা মায়থিহৌখি।

মেটচ অসিদা মায় পাকখিবা এল ব্রাই এগী শান্নরোই দোনাদোন (জর্সি নম্বর ১৭) না অনিশুবা হাফকী ৬০ শুবা মিনিটতা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অদু এম বিদ্যাশাগরনা সেন্টর রেফরি ওইখি। টি ঐচ পরসুরাম্না এসিস্টেন্ট রেফরি-১, কে ব্রোজেন্না এসিস্টেন্ট রেফরি-২ অমদি টি ঐচ অরুনকুমারনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ কম্মিস্নারনা এম নিমাই সিংহনা ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং মেটচ লৈরোই। মথংগী মেটচ লাক্লিবা তাং ১৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এফ সি, লমজাও অমদি এল ব্রাই এ, ব্রাঙুনা অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নগনি। অনিশুবা গ্রাউন্দদা জে এ ককচিং অমদি ব্রাই দব্লিউ য়ু, ককচিংনা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নগনি।

ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দভিজন ফুটবোল লিগ

অমোফানা সি ব্রাই সিবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ), বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম, বিষ্ণুপুরদা পুন্না টিম ৭ না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ১৭ তগী হৌদুনা চত্থরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ, ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা ২০ শুবা মেটচতা অমোফা, মোইরাংনা সি ব্রাই সি, চিনিকোনবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নাকল অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা শিন্দুনা মমাং থাগী ১৮ দগী হৌদুনা পুন্না টিম ১৩ না গ্রুপ-২ দা শরুক য়াদুনা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা মমাং থাগী ২০ দগী হৌদুনা চত্থরিবা ৪ শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা ১৪ শুবা লিগ মেটচতা ব্রাই দব্লিউ ও, বিষ্ণুপুর অমদি জি দি সি, থিনুঙ্গৈ গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি সুপর দিভিজনগী অমোফা অমদি সি ব্রাই সিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অমোফা, মোইরাংগী মায় পাকপগী গোল মরি অদু এল দেভ সিংহ (জর্সি নম্বর ১৩) না অহানবা হাফকী ২৬ শুবা মিনিটতা টিমগী অহানবা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মখা তানা ঐচ অনন্দ (জর্সি নম্বর ৬) না অহানবা হাফকী ৩০ শুবা মিনিটতা গোল অমা, এল দেবিদ (জর্সি নম্বর ১০) না অনিশুবা হাফকী ৪০ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি এন মহেশচান্দ (জর্সি নম্বর ১১) না অনিশুবা হাফকী ৭১ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না গোল মরি চনখিবনি।

মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা সি ব্রাই সি, চিনিকোনগী মায়কৈদগী চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা তোমি পানমৈ (জর্সি নম্বর ৮) না অনিশুবা হাফকী ৭১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা সি ব্রাই সি, চিনিকোনগী মায়কৈদগী গাইচুই লোংমৈ (জর্সি নম্বর ১৯) না অনিশুবা হাফকী ৬৫ শুবা মিনিটতা অনস্পোর্টিং বিহেভিয়ার তৌরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অদু দব্লিউ ইবোয়াইনা সেন্টর রেফরি, ব্রাই লুংসুনা এসিস্টেন্ট রেফরি-১, এস পুন্সিনা এসিস্টেন্ট রেফরি-২ অমদি এল অশানন্দনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ কম্মিস্নার অমদি রেফরি ইন্সপেক্টরনা মথংশিংনা আই জয়কুমার অমদি টি এচ তেজমণিনা ওইখি।

নাকল অমরোমদা গ্রাউন্দ অসিমক্তা শান্নখিবা ৪ শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজনগী ১৪ শুবা মেটচতা ব্রাই দব্লিউ ও, বিষ্ণুপুর অমদি জি দি সি, থিনুঙ্গৈ গোল ১-১ চন্নরগা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি জি দি সি অমদি ব্রাই দব্লিউ ওনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা গোলনা জি দি সিগী এল রোনাল্ডো (জর্সি নম্বর ১১) না মেটচকী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। ব্রাই দব্লিউ ওগী মায়কৈদগী দ্রো ওইহনখিবগী গোল অদুনা পাওমিন (জর্সি নম্বর ৪) না মেটচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। গোল চনখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা জি দি সি অমদি ব্রাই দব্লিউ ওনা মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবা এটেকিং প্লে কয়া চত্থদুনা শান্নরবসু মায় পাকপা ঙমখিদবনা মেটচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো ওইখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী সেন্টর রেফরিনা এস পুন্সিনা ওইখি। দব্লিউ ইবোয়াইনা এসিস্টেন্ট রেফরি-১, এল অশানন্দনা এসিস্টেন্ট রেফরি-২ অমদি ব্রাই লুংসুনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

এন আই টি লম্ফেলপাৎতা শগোলশিং থমজিনগদবনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন (এম ঐচ আর পি এ) গী পোলো ক্লবকী কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী চেয়ারমেন ওইরিবা এন বেধজিৎ সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না নেস্নেল ইন্সটিটুট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), লম্ফেলপাৎতা লম্বী শোরোক্তা থাদোক্তুনা লাকপা শগোলশিং অদু থম্বা য়াবগী অয়াবা গভর্নমেন্টনা পীরে হায়না ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা পোলো ক্লবশিং অমদি লন্নাই শগোল লোইরিবশিংনা শজিক চাফম লৈতবদগী লম্বী শোরোকশিংদা শগোলশিং থাদোক্লম্বা অদু এন আই টিগী ওথোরিটিনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা অরাং থংবা কম্পাউন্দ অসিগী মনুংদা শগোল থাজিনবগী অয়াবা অদু গভর্নমেন্টনা পীরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

করিগুম্বা লম্বী শোরোক্তা পোলো ক্লবশিং অমদি লন্নাই শগোল লোইরিবশিংনা লম্বী শরক্তা থাদোকপা তারগদি গভর্নমেন্টকী ওথোরিটিনা ফাবগা লোয়ননা ফাইন তৌহনগনি হায়রি। হায়রিবা শগোলশিং অদু এন আই টি মনুংদা ইশা-ইশানা য়েংশিনগদবনি। শগোল নাম্বোকখিবা অমদি লম্বী শরক্তা শগোলশিং অদু নাম্বোকখিবা তারবদি ইশা-ইশানা দাইত্ব পুগদবনি। লম্বী শোরোক্তা থাদোরক্রবদি শগোল মপুশিংনা ইশা-ইশানা দাইত লৌগদবনি অমদি থম্বিনিংবা মফমশিংনা থম্বীবা য়াগনি হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন (এম ঐচ আর পি এ) গী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

ঙসিদগী ২৮ শুবা ষ্টেট থাং-তা কম্পিটিসন ২০১৭ হৌরগনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ হুয়েল লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা হয়েংদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ২৮ শুবা ষ্টেট থাং-তা কম্পিটিসন হৌরগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা কম্পিটিসন অসিদা থাং-তাগী ইন্সটিট্যুসন ৩৫ দগী লাকপা শান্নরোই ৩১০ অমদি ওফিসিয়েল ৪০ না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নগদৌরি।

কম্পিটিসন অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদি, ফুনবগী ইভেন্টতা ফুনবা অমা অমসুং ফুনবা অনিশুবানি। কাংলোন চৎপগী ইভেন্টতা থাং-হায়বা, থাংলোন অমদি কাংলোন-খুৎলোন অমসুং তারোন্নচিংবা মশান্নশিংদা অথোই-অহেন তান্নগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসনগী চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

অনিশুবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১ দগী ৩ ফাওবা স্কুল গেমস ফেদেরেসন ওফ ইন্দিয়া পুনেগী চৎনা পথাপকী মতুং ইন্না ২ শুবা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ পাংথোক্লগনি হায়না মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ এম এস এ) গী ওফিসতা অখন্নবা পাউমী খরগা উন্নবগী থৌরমদা ব্রার্কিং চেয়ারমেন কে সরতচন্দ্র শর্মানা ফোংদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ইন্টর স্কুল আর্মরেষ্টলিং মীট অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটি শেম্বগী একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং অমা হৌখিবা মমাং থাগী তাং ২৩ দা পাংথোকখিবা একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম্না মীট অসিগীদমক নোমিনেট তৌগদবা মীওই কয়া খন্ননবা ব্রারেপ লৌখি। মসিগী মতুং তারকপা ওইনা থা অসিগী ১২ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা শিংজমৈ পার্কিংদা লৈবা ই জি সি কমপ্লেক্সকী লাইব্রেরি হোলদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মীটিং অমা পাংথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

শ্বাচতা ভারত অভিয়ানগা মরী লৈননা মরাথন রেস পাংথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) স্পিসিয়েল এরিয়া গেমস (এস এ জি) ইম্ফালগী সেন্টর ইন চার্জ ওরিবা এল ইবোমচা সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না শ্বাচ ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা শ্বাচতা পাখৱাদাগী ওইনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদগী মরাথন রেস অমা সাই এস এ জি সেন্টর খুমন লম্পাক্তগী হৌরগা, খুমন লম্পাক নোদর্ন গেট স্পোর্টস কমপ্লেক্স ফাওরগা চিংমৈরোং জঙ্কসন নোর্থ এ ও সি, মিনুথোং সাই-এস এ জি সেন্টর, খুমন লম্পাক্তা লমথুংফম ওইগনি।

শ্বাচতা ভারত অভিয়ান অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)- এন ই আর সি, ইম্ফালগী দাইারেক্তরগী মখাদা ত্রেনিষ্ট ষ্টাফ অমদি কোচশিংগা শরুক য়ারগা শ্বাচতা পাখৱাদা অসিগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা তাং ১৪ দা লম্লোং কৈথেলদসু অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদগী লু নান্নবগীদমক সোসিয়েল সার্ভিস তৌগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

রোয়িং এসোসিয়েসনগী মীটিং পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ মণিপুর রোয়িং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এস শ্যমকিশোর সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা অসিগী ৬ তা পাংথোকখিবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল বোদি মীটিংনা য়েৎনবা লৈতনা এন থোইবা সিংহবু প্রসিদেন্ট ওইননবা খনখ্রে হায়রি। সেক্রেটরিনা এস শ্যমকিশোর সিংহ, এদভাইজরনা বি সি সিংহ, এন দেভেন্দ্র সিংহ, পি বোই সিংহ অমদি কে অচৌবি সিংহনা ওইগনি। ইন্টরনেল ওদিতরনা এ রুপাবন সিংহনা ওইননবা খনখ্রে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

এম য়ু ইন্টর কলেজ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাংথোক্লগনি

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) স্পোর্টস কম্মিটিগী এসিস্টেন্ট দাইরেক্তর ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা থা অসিগী ২৮ দগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস, মণিপুর য়ুনিভসিটিনা শিন্দুনা এম য়ু ইন্টর কলেজ মেন এন্দ ৱুমেন বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ পাংথোক্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মখাদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজ অমদি ইন্সটিট্যুটশিংগী প্রিন্সিপাল অমদি দাইরেক্তরশিংনা রুল এন্দ রেগুলেসন য়াওবা এন্ত্রি ফোর্মনচিংবশিং লৌরগা থা অসিগী ২৬ কী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ুগী ওফিসতা লাক্তুনা থাজিল্লবা য়াগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কলেজশিংগী ওফিসিয়েল অমদি রিপ্রজেন্টটিভশিংনা মমাং পনখ্রিবা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ওফিসিয়েলশিংগী মীটিং পাংথোক্লগা টুর্নামেন্টকী ফিক্সচর দ্রোনচিংবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিগী হেন্না অকুপ্পা মরোল খংনিংলবদি মখাদা পীরিবা ফোন নম্বর ২৪০২৭৩১৭৭১, ৯৬১২৫৪৯১০৮ অমদি ৮৪১৫৮৩৫৯১০ দগী খংলবা য়াগনি হায়রি।

এম য়ু ইন্টর কলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা কমক্ষ্য পেমতোন কলেজ হিয়াংথাংনা শিন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দগী ২১ ফাওবা আর কে ব্রোজেন্দ্রো সিংহ মেমোরিয়েল এম য়ু ইন্টর কলেজ মেন এন্দ ৱুমেন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ পাংথোক্লগনি হায়না ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ওইরিবা ও কুমার সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী রুলস এন্দ রেগুলেসন য়াওনা এন্ত্রি ফোর্মনচিংবশিং ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি নত্রগা এম য়ু স্পোর্টসকী এসিস্টেন্ট দাইরেক্তরগী ওফিসতা লাক্তুনা লৌরবা য়াগনি হায়রি। এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মখাদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজ অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংগী প্রিন্সিপাল অমদি দাইরেক্তরশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা য়ারে হায়বগী এন্ত্রিশিং অদু থা অসিগী ১৮ গী নুংথিল পুং ১ গী মমাং ফাওবদা এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী ওফিসতা থাগৎলক্কদবনি হায়রি।

চেছকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন

ইম্ফাল, অগষ্ট ১১ঃ এদ-হোক কম্মিটি চেছ মণিপুরগী চেয়ারমেন অতেনবী লাইশ্রমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩ দগী ১১ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা নেস্নেল জুনিয়ার চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অমদি চহী ৭ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী পাতিপুত্রা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিমক্কী ৩ দগী ১২ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা নেস্নেল অন্দর ৭ বোইস এন্দ গার্লস চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াননবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন ১ থা অসিগী ১৬ তা ব্রাই বি ও, য়াইস্কুলদা পাংথোক্লগনি হায়রি।

[illegible]/ ওঝা Mv Riyajuddin বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম শাংনা নাদুনা খোঙহাম্বা নুংঙাইতবা, মতম কুইনা লৌবা য়াম্না শংনিংবা, কুইনা শংলবগী মতুংদা খজিক্তং হাম্বা অদুনা মরম ওইরগা শৌজা তাবা অমসুং নাম্বুবা, নাম্বুবা শৌজা অদু মশানা চিংখৎপা ঙমদবা খুৎনা ইনখৎপা, গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা অদুনা মরম ওইরগা পুক কংখৎপা, খনাও চরমদা অশিনবা কাবা, চানিং থক্লিংবা ইফাও ফাওদবা তৌরম্বা অদু Mv. Riyajuddin Buyamayum,) 9856797338 / 7085494783) দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংঅদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা কবিরাজবু মপোকসিমগী কাউজরোই।

থাগৎচরিবাঃ L. Tiken Leishangthem

NT/71746/12(Aug)

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, (s), MAYANG IMPHAL

Mutation Case No.335/IW(s), of 2017

1) Chabungbam Arjun Meitei, S/o. (L) Inaocha Singh of Konchak,
2) -do- Haridas Singh, S/o. -do- of -do-,
3) -do- Arunkumar Singh, S/o. -do-,
4) Thounaojam Bosana Singh, S/o, (L) Ibopishak Singh of Konchak.

. . . Petitioners

-Vrs-

Chabungbam Inaocha Singh, S/o. Gourachand of Konchak.

. . . O.P.Party

NOTICE

Mayang Imnphal, the 31st. July, 2017

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, Under Patta No. 287 , C.S. Dag No. 4606 গী .24 acre চাওবা লম Village No. 76 অসি Petitioner শিংনা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে মখোয়গী মমিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/IW(s), Mayang Imphal গী Court তা দরখাষ্ট থারকপগী মতুং ইন্না পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিদা ংবা নুমিত্তগী থারগা নুমিৎ ৭ নি শুবা ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা য়েৎলবা য়াগনি হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি কেশ মখা চত্থরগনি মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (s), Mayang Imphal

NT/71799/12(Aug)

Lottery য়ৈথোকচরে

Highway Star Union (HISU), Thoubal না শিন্দুনা য়ুনিয়ন অসিগী ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগীদমক ফন্দ দ্রাইভ তৌনবা লাক্লিবা তাং ১৩ দা পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বা HISU Lottery অদু খুদোংচাদবা খরা লৈবনা মরম ওইরগা মতম কক্তুনা য়ৈথোকচরে।

Sd/- **Secretary**
HISU, Thoubal

NT/BG/11(Aug)

[illegible] HELPINCHAND GROUP

Rs.4,00,000/- (4 Lakh)

Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -

CONGRATULATIONS!!!!

Mrs. Leivon Akham Kom, M.G. Avenue, Imphal.
LOTTERY WINNER of Phase 21, M. No.388, Draw No.7th,



NT/Y/3to 18 Aug.

HelpinChand Finance Service (Office hrs. 10 pm - 5pm) Please Visit Office. (Govt. Registered) *Head office:* Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/8974877505

job vacancies

1.Wanted C.S.A. For upcoming FMCG Companies in Imphal.

3. Urgent Recruitment Tele-Caller Reception in Imphal.

4. Urgent requirement for Field Staff :

5. CURRENT JOB FOR 10TH,12TH PASS IN MERCHANT

6. ALL INDIA RECRUITMENT 2017, AIRLINES JOB 421 VACANCY-

7. INTERNATIONAL JOB FOR UNITED ARAB EMIRATES (UAE)-

8. Wanted Back Office Staff for Imphal :-

VISIT US AT :-

Office of the :- Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar,Airport Road, Imphal.


Yugam
AYURVEDA
YOUR LIVER MAY BE UNHEALTHY!
Regular Consumption of Alcohol / Allopathic Medicines / Heavy Foods Can Make YOUR LIVER UNHEALTHY & TOXIC
200 ml
Advanced Liver Protection Formula
YOUR LIVER INSURANCE
Zoliv Syrup
Zoliv Capsule
DETOXIFY YOUR LIVER with Zoliv
Syrup & Capsules
100% NATURAL & SAFE
SUGAR-FREE CAPSULES FOR DIABETICS
Take Regularly to feel the BENEFITS